# লোক সভানা পোক্সো এমেন্দমেন্ট বিল, ইনসোলভেন্সি এন্দ বেঙ্ক্রপসি কোদ পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা সেক্স্যুল এসোল্ট চথবা মীওইশিং শীবগী চৈরাক পীনবা বিল অমা লোক সভানা পাস তৌখ্রে।

প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্স্যুল ওফেন্সেস (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পুখৎলদুনা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা হায়খি মদুদি, অঙাংগী মায়োক্তা ক্রাইম চথবা মীওইশিং অকনবা চৈরাক পীনবগী পান্দমদা বিল অসি পুখৎলপনি। রাজ্য সভানা মাংজৌননা পাস তৌখ্রবা বিল অসিদা চাইল্ড পোর্নোগ্রাফি চৈরাকফংনিংঙাই ওইবা ক্রাইম অমা ওইহনবগী ৱাফম য়াওরি।



তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিং কন্নবগী পান্দমদা পুখৎলকপা বিল অসি ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্সকা মরী লৈনদে হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসকী এম পি রামিয়া হরিদাসনা উনাও রেপ কেসকী ৱাফম পুখৎলকপগী মতাংদা ইরানিনা হায়খি, বিল অসি পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা চুমদে। লৈবাক অসিগী কোর্টনা এম এল এ অমদি এম পিশিংবুসু চৈরাক পীবা ঙম্মী হায়বা মীপুম খুদিংমক্তা খন্থবা মথৌ তাই।

লৈবাক্কী অঙাং ক্রোর ৪৩ পুক্লিং লৈতানা হিংবা ফংলগনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, অঙাংদা ক্রাইম চথবা মীওইশিং অকনবা চৈরাক পীরবদি অঙাং খুদিংমক পুক্লিং লৈতানা হিংবা ফঙলগনি। সেক্স্যুল ওফেন্সকা মরী লৈনবা কেসকী ৱায়েল খোঙজেল য়াংনা চথবা ঙমদে হায়বা ৱাফম পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, নিরভয়া ফন্দগী মখাদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ১০২৩ লিংখৎলগনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট ১৮না ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎপগী ৱাফম অয়াবা পীরক্লে।

সেক্স্যুল ওফেন্সকী কেস লাখ ৬.২ রেজিষ্টর তৌদুনা ট্রাইয়েল চথুনবা থৌরাং লৌখৎলে। সি বি এস সিনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা স্কুলশিংদা অঙাংশিংবু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং অমসু লৌখৎপা হৌরগনি। ওজা ৪০,০০০সু হিরম অসিগী মতাংদা ট্রেনিং পীরগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা কোংগ্রেসকী টিরুনবুকরাসরনা হায়খি, শিবগী চৈরাক পীনবা ৱাফম য়াওবা মরম্না বিল অসি পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিতি অমদা থাদুনা য়েংশিলহনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, লোক সভানা ইন্সোলভেন্সি এন্দ বেঙ্ক্রপসি কোদ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে। বিল অসি রাজ্য সভানা মমাঙদা পাস তৌবা লৈখ্রবনি। হাউসতা বিল অসি পুখৎলদুনা ফাইনান্স এন্দ কোর্পোরেট এফেয়র্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমননা হায়খি মদুদি, ইন্সোলভেন্সি এন্দ বেঙ্ক্রপসি কোদকী সেক্সন ৭ শেমদোক্লগনি। কোর্পোরেট ইন্সোলভেন্সি রিজোল্যুসন প্রোসেস (সি আই আর পি) হেক হৌবগা নুমিৎ ৩৩০গী মনুংদা লোইশিল্লগনি।

লোক সভানা অর্বিট্রেসন এন্দ কোন্সিলিএসন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯সু পাস তৌখি। বিল অসিগী মতাংদা লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা হায়খি, এমেন্দমেন্ট বিল অসিনা মীওই কয়াদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

# রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা নেসনল মেদিকেল কম্মিসন বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
দিল্লিগী এইমস অমদি রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটাল য়াওনা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল পুম্নমক্তা রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা নেসনল মেদিকেল কম্মিসন বিলগী মায়োক্তা মতম কত্তবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সিল এক্ট ১৯৫৬কী মহুৎ শীন্নবা নেসনল মেদিকেল কম্মিসন বিল পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিনা অনা লায়েংগী থবক্তা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনগদৌরি।




ওপোজিসন পার্টিশিংনা খ্বাইদগী মরু ওইনা য়ানিংদ্রিবা ৱাফমদি বিলগী সেক্সন ৪৫দা য়াওরিবা ৱাফমনি। নেসনল মেদিকেল কম্মিসননা পীরকপা সজেসন পুম্নমক লৈঙক্লা ককথৎপা ঙম্মী হায়বা ৱাফম সেক্সন ৪৫দা ময়েক শেংনা য়াওরি। হিরমসিগী মতাংদা ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট ডাক্তর্স এসোসিএসন (এফ ও আর দি এ)গী প্রসিদেন্ট ডা. সুমেধ সন্দন শিবানা হায়খি, ডাক্তরশিংনা বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ও পি দি, ইমর্জেন্সি দিপার্টমেন্ট অমদি আই সি য়ুশিংদা থবক লেপ্পগনি। মেদিকেল প্রোফেসনবু ফাগি তাহনবগী ফিভমদা লাক্লবনিনা ডাক্তরশিং মখা তানা মথৌ পাঙথোক্লরোই হায়না এফ ও আর দি এনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তগা ডাক্তরশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা পার্লিয়ামেন্ট তম্না চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অমদা এইমসকী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংসু য়াওশিল্লকপা য়াই হায়না থাজনরি।

চান্দিগরদা লৈবা পোষ্ট গ্রেজ্যুট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল এদ্যুকেসন এন্দ রিসার্চকী ডাক্তরশিংনা বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া মুথৎনবগী থৌরাং লৌখৎলকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ)নসু বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পুং ২৪ মথৌ লেপ্পগী খোঙাজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোংগ্রেস, ত্রিণামুল কোংগ্রেস অমদি দি এম কেগী মেম্বরশিংনা লোক সভাদগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা হাউসনা বিল অসি পাস তৌখ্রবনি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সিল এক্টকী মহুৎ শীনগদৌরিবা লেজিসলেসন অসিদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া এম সি আই মুথৎলগা নেসনল মেদিকেল কাউন্সিল (এন এম সি) লিংখৎপগী ৱাফম য়াওরি।

দি এম কেগী লুচিংবা এ রাজা, কোংগ্রেসকী লুচিংবা মনিস টিৱারি অমসুং ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী কাকোলি গোসনা বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যর মিনিষ্টর হর্স বর্থননা মেদিল এদ্যুকেসনদা চাওনা অহোংবা পুরক্কদৌরিবা লেজিসলেসন অসি হাউসকী মেম্বর পুম্নমক্না শৌগৎপা মথৌ তাই হায়না ফেশঙষদাকখি।

# ইন্দিয়ানা গাম্বিয়া লৈবাক্কী চাওখৎ খোঙথাংদা মপাঙ্গল লৈহনগনি হায়বা ৱাফম প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা গাম্বিয়াগী চাওখৎ খোঙথাংদা মপাঙ্গল লৈহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



রাম নাথ কোবিন্দনা অফ্রিকা লৈবাক ৩ বেনিন, গাম্বিয়া অমসুং গিনিগী খোঙচৎ অমগী মনুং চন্না ঙরাং গাম্বিয়াগী সিটি বঞ্জুলদা লৈবাক অদুগী নেসনল এসেমব্লীদা ৱা ঙাংলদুনা ইন্দিয়া অমসুং গাম্বিয়াগী মরক্তা লৈরিবা লাল্লোল ইতিক্কী থবক থৌরমশিং অসি শেল ওইনা পাথোক্লবদা কুমজা ২০১৭-১৮কী ওইনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৬২ য়ৌখি হায়রি।

পনবায়াবদি, ইন্দিয়ানা অফ্রিকাদা ইনভেষ্ট তৌরিবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ৫ শুবা থাক্তা লৈরি। কোবিন্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থা অসিদা অফ্রিকান কোর্ন্টিনেন্টেল ফ্রি ট্রেদ এরিয়া এগ্রিমেন্ট হৌদোকখিবা অসিনা মালেমদা অফ্রিকানা খ্বাইদগী চাওবা ফ্রি ট্রেদ এরিয়া ওইরগনি হায়খি।

অনৌবা এগ্রিমেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনসু অফ্রিকাগা হান্না লৈরম্বা ইকোনোমিগী ওইবা মরীশিং অদু হেন্না খুৎমাং চাওশিনবা ঙম্লগনি।

গাম্বিয়াগী নেসনল এসেমব্লী অদুদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা চাওখৎপগী অপুনবা খোঙজং অসি অফ্রিকাদা য়ুম্ফম ওইরগা তুংকোইনা চৎমিন্ননবগী পান্দমনি। মসিনা কন্টিনেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা চথুগদবা থবক থৌরমশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমনি।

সাউথ এসিয়াগী মতুংদা অফ্রিকা কোর্ন্টিনেন্ট অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীরমদা মতেং পীবা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৪১দা য়ামদ্রবদা লাইন্স ওফ ক্রেদিট ১৮১ লৈরি। মসিগী শেনফম অসি চাওরক্লা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১১ ওইরি।

গাম্বিয়াগা ইন্দিয়াগা অপুনবা চাওখৎমিন্নবগী থবক পায়খৎমিন্নবা অসি ইন্দিয়াগী ওইনসু চাওথোকচনিংঙাইনি। গাম্বিয়াগী ওইনা ইন্দিয়ানা সোসল অমসুং ইকোনোমিগী চাওখৎপগী লম্বেলদা মায় ওনশিনগনি। মরু ওইনা কেপাসিটি বিল্ডিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং পায়খৎননবা শেলগী মতেংপীগদৌরি।ইন্দিয়ানা অহেনবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৭৮.৫ রোম ওইগদবা লাইন্স ওফ ক্রেদিট থমদুনা রুরেল দিভলপমেন্ট, এগ্রিকলচর, থক্লবা ঈশিং, হক-শেলগী অমদি ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎকদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯২ লাইন ওফ ক্রেদিট নৌনা হাপচিনগদৌরি।

# কুলবুসন যাদবকী মতাংদা পাকিস্তাননা পীরকপা কোন্সুরল এসেস অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুপ্না নৈনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ামচা কুলবুসন যাদব শীবগী চৈরাক পীখ্রবা মতুং পাকিস্তাননা নৌনা ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ওর্দর মতুং ইন্না পীরকপা কোন্সুলর এসেস অদু ইন্দিয়না কুপ্না নৈনগদৌরি।



মশাগী চহী ৪৯ শুরবা রিটয়র্দ ইন্দিয়ান নেভি ওফিসর অসি কুমজা ২০১৭গী এপ্রিল থাদা পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা এস্পিওনাস অমসুং টেররিজমগী মরালদা শীবগী চৈরাকপীখিবনি।নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ানা ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ৱাকৎলদুনা মহাক্কী শীবগী চৈরাক অদু লৌথোক্তুনা অতোপ্পা খোঙথাংশিং পায়খৎনবা হায়খি।

পাকিস্তাননা কুলবুসন যাদবপু পাকিস্তানগী অরোন অথুপশিং লৌথোক্লবা অমদি মফম অদুদা মহাক্না টেররিজমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলম্মী হায়বগী মরালদা ফাদুনা লৈবাক অদুগী মিলিটরি কোর্ট অমনা মহাকপু শীবগী চৈরাক পীখিবনি।

মরক অসিদা ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা লমাই ৪২ পানবা রুলিং অমদা পাকিস্তাননা ভিয়েনা কোনভেন্সদা য়াওরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী অদু থুগাইরে হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা লৈবাক অমগী মীওই অমা অতোপ্পা লৈবাক অমনা ফাবা তারবসু কোন্সুলর এসেস পীফম থোকই হায়খি।

পাকিস্তাননা ক্লেম তৌরকপদা কুলবুসন যাদব ইরান লোমদগী পাকিস্তানগী বালোকিস্তান প্রোভিন্সতা কুমজা ২০১৬কী মার্চ ৩দা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা ফাখিবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপদদি যাদব ইন্দিয়ান নেভিদগী রিটয়র্দ তৌরবা মতুংদা ইরানদা লল্লোল ইতিক্কী থবক থৌরম পায়খৎলিঙৈদো ফাদুনা পুখিবনি হায়রি।

ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিকী রুলিং মতুং ইন্না পাকিস্তাননা পীরকপা কোন্সুলর এসেস অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা কুপ্না নৈনগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই রবিস কুমারনা ফোঙদোকখি।

রুলিং অদুগী মতুং ইন্না কুলবুসন যাদবকী দেথ সেন্টেস অদু হৌজিক্কী ওইনা চৎনরোইদবনি। লোয়ননা মহাক্কী মীয়াত পীবগী মওং অদু অমুক হন্না নৈনগদবনি হায়খি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকপদা কুলবুসন যাদব অচুম্বা ৱায়েল ফংলগনি হায়খি। হৌখিবা থাদা ইন্টর্নেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী প্রসিদেন্ট জজ অব্দুল কাৱি অহমদ য়ুসুবনা লুচিংবা মেম্বর ১৬কী বেঞ্চ অদুনা পাকিস্তাননা যাবদগী দেথ সেন্টেস অদু লৌথোক্লগা রিভ্যু তৌগদবনি হায়বগী মতাংদা ভোট তৌনবদা ভোট মশিং ১৫-১দা মায় পাক্তুনা অথুবা মতমদা যাদবকী মতাংদা দেথ সেন্টেস লৌথোক্তুনা কোন্সুলর এসেস পীগদবনি হায়রকখি।

# লোক সভাদা চে শীজিন্নবা লেপ্পগদবনি ঃ স্পিকর ওম বিরলা



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ঙসি লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অদুদা চে শীজিন্নদবা থবক তৌবা লেপ্পগী মতম য়ৌরে। মসিনা লৈবাক অসিগী লুপা ক্রোর কয়া কনবা ঙম্বগী খোঙথাং অমা ওইবা ঙম্লগনি হায়খ্রে।

অনৌবা খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা মখোয় মখোয়গী দোক্যুমেন্টশিং অদু দিজিটেল নত্রগা চেগী মওংদা থম্নবগী অপাম পামদা খলহনগনি হায়খি।

লোক সভাগী জেরো অৱারদা বিরলানা মেম্বরশিংদা ফোঙদোকখিবদা চে য়ামদনা শীজিন্নবনা উ-ৱা কনবদা মতেং ওইরগনি হায়খি। মেম্বরশিংগী অপাম পামদা হংলদুনা স্পিকর ওম বিরলানা ফোঙদোকখিবদা লোক সভা নোংমদা চে শীজিন্নবা থিংবা ঙল্লোই। মসিগী মায়কৈদা চঙশিন্নবা হোৎনরসি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পিকর অদুনা মখা তারদুনা লোক সভা অসি চে শীজিন্নদবা হাউস অমনি হায়না খঙনগদবনি। মরমদি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং চেদা নমথোক্লনবগীদমক লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম চাদিং তৌদুনা লাক্লি।

লোক সভানা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী মেম্বর কলিয়ান বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা স্পিকর ওম বিরলাগী অনৌবা খোঙথাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু মদু মায় পাক্লবা হোৎনবগীদমক্তা হাউস অদুদা অয়াম্বা মতমদা ৱাই ফাই ফঙহল্লবদি অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি হায়খি।

স্পিকরনা মখা তারদুনা লোক সভা অদুদা ৱা ঙাংগদৌরিবা মেম্বরশিংনা মমিং, পার্টি, কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং মহাক্লা ঙাংগদৌরিবা টোপিকশিং অদু অকক্লবা মতম অমা লৈহল্লগা মেম্বর অদুনা শীজিন্নখিবা মতম খঙহনগদবনি।

# আর এন রবি নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

কোহিমা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী হান্না দিপ্যুতি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইরম্বা অদুগা নাগা লালহৌলুপশিংগা লৈঙাক্লা ৱারী শান্নবদা ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরম্বা আর এন রবি ঙসি কোহিমাদা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।



গুৱাহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস (এক্টিং) অরুপ কুমার গোস্বামিনা ঙসি কোহিমাদা লৈবা ষ্টেট অদুগী রাজ ভবনদা আর এন রবিনা গভর্ণর ওইবগী থবক থৌরমশিং অদু শীল লাংখি। থৌরম অদুদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নেফ্যুরিও অমদি মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এসেমব্লী স্পিকর বিখু-ও য়োসু, ওপোজিসনগী লিদর টি আর জেলিয়াং অমদি অতোপ্পা লেজিসলেচর ময়াম অমসু শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা আর্মি, এয়রফোর্স অমদি সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম লোইরবা মতুংদা নাগালেন্দ পুলিসনা নৌনা খল্লবা গভর্ণর অদুদা ষ্টেট গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

চীফ মিনিষ্টর নেফ্যুরিওনা ষ্টেট অদুগী গভর্ণর ওইরবা আর এন রবিগা অফবা মওংদা থবক তৌমিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। রবিবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা থা অসিগী ২০দা এপোন্ট তৌখিবনি। মহাক্লা পি বি অচারিয়াগী মহুৎ শীল্লকখি।

# ত্রিপুরাগী পঞ্চায়ট মীখলদা বি জে পিনা ৯৫ % মায় পাকখ্রে

অগরটলা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ত্রিপুরা ষ্টেটতা পাঙথোকপা পঞ্চায়টকী মীখলদা বি জে পিনা য়ামনা চাওনা মায় পাক্তুনা ৯৫ % সিট ফংখ্রে।

সোর্স অমগী পাউগী মতুংইন্না পঞ্চায়টকী মীখল অদুদা য়ামদ্রবদা ৮৬% দি মীখল লম্বা তৌনদনা বি জে পিগী মীরেপশিং অদুনা সিট অদু লৌবা ঙমখি।

পনবায়াই, ত্রিপুরদা লেফফ্রন্টনা হৌখিবা চহী ফাওবা পুন্না চহী ২৫ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদা সিট অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদে হায়না ছোর্স অসিনা ফোঙদোরক্লি।

PIS Brick Field (Mechanised)
BRICK SAMPLE
PIS
(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.40 | 2000 | Rs. 24800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27400 |
| 1st | Rs. 12.40 | 1500 | Rs. 18600 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.40 | 2000 | Rs. 22800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25400 |
| 1st Rej. | Rs. 11.40 | 1500 | Rs. 17100 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19100 |
| Peti | Rs. 10.10 | 2000 | Rs. 20200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22800 |
| Peti | Rs. 10.10 | 1500 | Rs. 15150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17150 |
| 3rd | Rs. 5.90 | 2000 | Rs. 11800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 14400 |
| 3rd | Rs. 5.90 | 1500 | Rs. 8850 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 10850 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
(HL-B/4275/7,9,11,13,15.....(alt

IIBIT
Indian Institute of Banking and Information Technology
A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
· **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
· **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
· **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.
Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.
**Salary - 10,000 - 27,000/-**




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297
HL-B/5582/30/7-29/8